HEINGANG MAYAI LEIKAI
POSHAN

লম্ফেলপাৎতা লৈবা ৫০-বেদ্দেদ ইন্টিগ্রেটেদ আয়ুশ হোস্পিটালনা শীন্দুনা রাষ্ট্রিয়া পোসন মা ২০২১গী শরুক অমা ওইনা হৈঙাং ময়াই লৈকায়দা পাঙথোকখিবা এৱ্রেয়র্নেস কেম্পেয়ন

খাঙবোক এ সীগী মনুং চন্না লৈবা পোল্লিং ষ্টেসন ৩৫/২ ৱাংবল পার্ট টু ৱাংবল লম্থোইথোংদা মীওই ৩০ রোম বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর খুন্দ্রাকপম মেঞ্জোর মঙাংগী লীচিং মখাদা বি জে পিদা য়াওরকখিবা

ইনভাইরনমেন্ট, ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ অমসুং সী এ এফ এন্দ পি দিগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট অশ্বিনি কুমার চৌবেনা মোইরাংগী কুমাম মান্দপতা পি এম জি কে এ ৱাই অমদি নফসাগী বেনিফিসরিশিংদা চেঙ য়েন্থোকখিবা

লৌমী শিন্নী অপূন লূপ (লৌসাল)না শীন্দুনা লল্লাই এ সীগী মনুং চনবা পুংদোংবমদা লৈবা লৌমীশিংগী নীংশিং য়ুম্বীদা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা লৌমীশিংগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকখিবা

হুয়েন লানলোং থাঙ-তা শীন্তম শঙলেন হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএন এস): ময়াং ইম্ফাল খুমন য়াংবী সাবলদা লৈবা ইপুথৌ খুমন পাখংবা লাইফল্লেন্দা হুয়েন লানলোং থাঙ-তা, চৈবী শীন্তম শঙলেন অমা ঙসি হাংদোকখ্রে হায়না অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপকী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন দিপার্টমেন্টকী সেক্রেটরি ও কে মোংয়াম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, শীন্তম শঙলেন হাংদোকপগী থৌরম অদুদা অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপকী লুচিংপুরেল ওক্রম মংলেম মৈতৈ, জেনরেল সেক্রেটরি সাপম ইনাওবী লোয়ননা য়াইপিলেন শিতপা মপুগী লূপলোয়গী থৌপুরেলশিংসু শরুক য়াখি।

অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপকী মীৎয়েং মখাদা হাংদোক্লিবা মশা লোয়শঙ অসি য়াইপিলেন শিতপা মপুগী লূপলোয়গা খুৎশম্নরগা হাংদোকপগী পান্দমদি লমদম অসিগী মহৈরোয় কয়া ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী কন্দুনা থকশি-খাশি লৈতবা ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা মহৈ অসি য়োকখৎমিন্নসি অমসুং তুংগী অচঙবা য়ুম্বীরেল অমমম শেম্মিন্নরসি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

ব্রোজেন্দ্রোবু হাপ্লক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএন এস): রাষ্ট্রিয়া সামাজিক সমরাসতা সজ্ঘথন (আর এস এস এস)কী মণিপুরগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট ওইনা এম ব্রোজেন্দ্রো লুৱাংবু হাপ্লক্লে। আর এস এস সজ্ঘথন ন্যু দেল্লীগী নোর্থ ইষ্ট ইন-চার্জ ৱাই বসন্ত মৈতৈনা ঙরাং থোকখিবা চেরোল অমনা এম ব্রোজেন্দ্রো লুৱাংবু আর এস এস সজ্ঘথন মণিপুরগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট ওইনা হাপ্লকখিবনি। পনবা য়াবদি, এম ব্রোজেন্দ্রো লুৱাং ভারতিয়া মোদি আর্মিগী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরম্মী হায়রি।

এৱ্রেয়র্নেস কেম্পেয়ন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএন এস): লৈবাক পুম্বদা চৎথরিবা রাষ্ট্রিয়া পোসন মা ২০২১গী শরুক অমা ওইনা লম্ফেলপাৎতা লৈবা ৫০- বেদ্দেদ ইন্টিগ্রেটেদ আয়ুশ হোস্পিটালনা শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হৈঙাং ময়াই লৈকায়দা রিজনল অমসুং লোকেলগী ওইবা চীঞ্জাকশিংগী মরুওইবশিংগী মতাং অমদি কোভিদ-১৯ থেংনবদা আয়ুশনা লৌরিবা থৌদাংশিংগী মতাংদা এৱ্রেয়র্নেস কেম্পেয়ন অমা পাঙথোকখ্রে। এৱ্রেয়র্নেস কেম্পেয়ন অদুগা মরী লৈননা মফম অদুগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামদা মচি ওইবা চীঞ্জাকশিংগী মরমদা খঙহনবগা লোয়ননা কেলসিয়ম, আইরন অমদি ফোলিক এসিদকী হিদাকশিংসু য়েন্থোকখি হায়রি।

তুরেলদা লুপখিবা অঙাং শিনা ফংলে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএন এস): ঙরাং নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবদা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খাবম লমদাইবুং মপাদা কোন্থা খাবম মনিং লৈকায় এরিয়াদা ইম্ফাল তুরেলদা লুপখিবা অঙাং অমা থিবা ফংদনা লৈরকখিবা অদু ঙসি অয়ুক খুরাই অহোঙ্গৈ তেলিপতি এরিয়াদগী অশিবা হকচাং ওইনা ফংলে। ঙসি ইম্ফাল তুরেলদগী শিনা ফংখিবা নুপামচা অদুগী মমিং নোংমাইথেম মঙাল লৈবা (১৩) অপোকপা এন সুরঞ্জয় কৌই। মহাক খাবম লমদাইবুং মপা কোন্থা খাবম মনিং লৈকায়দা লৈবনি হায়রি।

নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএন এস): ইম্ফাল ইষ্টকী হৈঙাং অৱাং লৈকায়দগী সাপম ওপেন্দ্রোবু ভারতিয়া নেসনল জনতা দল (বি এন জে দি)গী মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট ওইনা হাপ্লকপদা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট মণিপুরনা হরাও তয়াম্বা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা সাপম ওপেন্দ্রোনা লমদমসিগী মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংশিংদা মাঙজিল থানা থবক তৌরক্কনি হায়বগী থাজবসু য়ু এফ এমনা থম্লক্লি।

লময়ানবা ইরাবত নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্ভেসন কম্মিটি মণিপুর (পি পি সী এম)গী মীৎয়েং মখাদা লময়ানবা ইরাবত নীংশিং থৌরম লৈঙাক্লা পীবা এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকখ্রে। থৌরমসিগী শরুক অমা ওইনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা মীওই কয়ানা লময়ানবগী মিতমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমখি হায়না লময়ানবা ইরাবত নীংশিং থৌরম ওবজার্ভেসন কম্মিটি (এল আই এন টি ও সী)গী কনভেনর টি ঐচ অজিৎকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরগী পুৱারীদা সেপ্টেম্বর থা অসি য়াম্না মরুওইবা থা অমা ওইরিবনি। মনিং তম্না পাঞ্জরম্বা মণিপুরনা কুমজা ১৮৯১দা লোয়লম শন্দোকপা বৃটিশনা লান্দাদুনা লৌশিনখ্রবা মতুং কুমজা ১৯৪৭ তগী ১৯৪৯ ফাওবা মরোমদোম লেপচবা মনিং তম্বা লৈবাক অমা ওইনা লৈরম্ববু সেপ্টেম্বর ২১, ১৯৪৯দা মণিপুরগী নিংথৌ বোধচন্দ্রবু শিল্লোংদা মোইথেম তৌদুনা অমদি কিহন্দুনা নম্ফুদা ইনি দয়াগী ফিবান্নুংদা তীনশিল্লে হায়দুনা খুৎয়েক পীহনখিবা নুমীৎ অদুনি। অমরোমদা সেপ্টেম্বর ২১ অসি মণিপুর, ত্রিপুরা, কছার অমসুং লুসাই হিলস পুনশিন্দুনা পুর্বাঞ্চল প্রদেশ শেমদুনা মণিপুরবু মাঙহনখিগদবদগী কন্ননবা এম দি য়ুদা শীনখিবা মীফমগী য়াম্না মরুওইবা নুমীৎ অমসু ওইবগা লোয়ননা নুমীৎ অসিদা থোকখিবা পুংদোংবমগী থৌদোক্লা মরম ওইদুনা কুমজা ১৯৪৮কী নুমীৎ অসিমক্তদা মীয়ামগী লুচিংবা হিজম ইরাবতপু অন্দরগ্রাউন্দ নমদুনা তাহন্দুনা মণিপুরগী ইহান হানবা ওইনা খুৎলায় পায়বগী নীংতম লালহৌ হৌনবগী খোঙজং হৌখিবা নুমীৎ অমসুনি। লোয়ননা মীয়ামগী লুচিংবা হিজম ইরাবত পোকখিবা সেপ্টেম্বর ৩০, ১৮৯৬ নুমীৎ অসিসু থা অসিগী মনুংদনি। লোয়ননা সেপ্টেম্বর ২৬, ১৮৫১ হিজম ইরাবতনা বর্মাগী অঙ্গো চীংগী চীংখোঙদা লৈবা তাংবোদা মনুং মতম চাদনা পুন্সি লোমখিবা থানি।

ঙসি লময়ানবা হিজম ইরাবতকী থৌরম পাঙথোকপগা ঈরোয়ননা লময়ানবা অসিনা ঐখোয়গী হয়েংগীদমক্তা য়াৎপীরম্বা লীক্লম তুং ইঞ্জননবা, মহাক্কী ৱাখল মীৎয়েং ময়েক শেংনা খঙমিন্নবা চঙই। শুপ্ন খক্কী মহাক্কী থৌরম পাঙথোক্তুনা লৈখিদ্রবগী মিতমদা হে-লৈ খরা কৎপা অমদি মহাক্কী পুন্সিগী ৱারী খরা লীবনা লময়ানবা ইরাবতকা মরী লৈনবা থৌরমশিং পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক লৈতে। মতম অমদা ওইরম্বা খুন্নাইগী মশক, শেন্নীৎলোন, লৈঙাক্লোননচিংবগী মশকশিং মমুৎ তানা খঙলবা মতুংদা মদুনা ওইহল্লক্কদবা, শোকহল্লক্কদবশিং খঙমিন্নরগা মদুদগী কলহৌননবা লময়ানবা হিজম ইরাবত অমদি মহাক্কী লূপলোয়শিংগা লোয়ননা হৌখিবা ঈহৌ অদু নীংশিংলগা ঙসিগী লৈপাক খুন্নাইগী ওইরিবা মশক অসিদা ঙসিগী মীরোলনা করি করম্বা থৌদাং লৌগদগে হায়বদু মমুৎ তানা নৈনবগা লোয়ননা অপূনবগী থৌদাং লৌমিন্নবনা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী থৌরমশিং পাঙথোকপগী মরুওইবা নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন ওইহনগদবনি।

মতম অমদা লময়ানবা ইরাবতনা য়াৎপীরম্বা লীক্লম অদু ঐখোয়গী হয়েংগীদমক্তনি। মহাক্কী ৱাখল মীৎয়েং অদু ঙসিগী লৈবাক খুন্নাইগী ওইরিবা মশক অসিগা তুনা য়েংলগা করি করম্বা থৌদাং অমা লৌগদগে হায়বদু ঐখোয়না লেপচরসি অমদি হয়েংগী চাউখৎপা, মীথোই-মীহেনবা, মীখা থাদবা, ইরোমদোম মীপাল তাঙদনা লেপচবা ঙম্বা লৈবাক হায়বদু শেল্লসি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

অসামদা মণিপুরী লোল অসি এসোসিয়েট ওফিসল লেংগ্বেজ ওইহনগদবনি : আমসু

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): অসামদা মণিপুরী লোল কন্ননবগীদমক লোল অসি এসোসিয়েট ওফিসল লেংগ্বেজ ওইহনগদবনি হায়না ওল অসাম মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (আমসু) সেন্ট্রেল কম্মিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

আমসুগী জেনরেল সেক্রেটরি কব্রাবম বিক্রমজিৎকী চেরোল অমনা হায়, অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিশ্ব শর্ম্মানা হন্দক সিলচরগী নুমীৎ নীনিগী খোঙচৎতা মণিপুরীশিংগী ইন্টলেকচ্যুএলশিং অমদি ওজাশিংগা মণিপুরীশিংগীদমক তোঙান তোঙানবা ইস্যু কয়া খন্ন-নৈনবদা মণিপুরী লোলবু এসোসিয়েট ওফিসল লেংগ্বেজ ওইহনবদা মীশিংগা চান্নদে হায়রম্বা অসি ওল অসাম মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (আমসু)না য়াম্না পেন্দে। হৌজিক অসামদা য়াম্না কন্না চৎনরক্লিবা অসামিজ, বেঙ্গোলি, বোদো অসি খঙদবা হায়বসিনা লেপ্তুনা অসুম চৎথরক্লগদি মণিপুরী মেদিয়ম অথুবা মতমদা মুৎখ্রগনি। মরমদি লোলশিং অসিদা মহৈ তম্লক্তবা মহৈরোয়শিং লৈঙাক অসিনা লৌবা থবক কয়া থাবা য়াহন্দ্রে। থ্রী লেংগ্বেজ ফোর্ম্যুলা অসিনা মরম ওইরগা মণিপুরী মেদিয়ম তম্নিংদবা, থওইরক্তবগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লি।

মসিগী মথক্তা মণিপুরী লোল অসি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী ৮শুবা সেদ্যুল্দদা চল্লবা লোলনি। কুমজা ১৯৫৬তগী হৌদুনা মেদিয়ম অমা ওইদুনা তমদুনা লাকখ্রবা অমদি অসাম য়ুনিভর্সিটি, সিলচর অমদি ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা য়ুনিভর্সিটিশিংদা তম্লিবা লোল অমসুনি। লোয়ননা সাহিত্য একাদেমীনা শকখঙলবা লোলনি। অসিগুম্লবা লোল অমবু এসোসিয়েট লেংগ্বেজ ওইবা য়ারোই হায়বসিদি মণিপুরী লোলবু মমল থমদবনি অমদি চহী লিশিং কয়াদগী মেদিয়ম অমা ওইনা তমদুনা লাক্লিবা মণিপুরী লোল অসিবু থওই-উশিৎতবনি হায়না আমসুনা লৌই।

অসামগী চীফ মিনিষ্টরনা মীফম অদুদা পল্লম্বা ফুরুপশিং অদুগী লোলশিংদগীদি মণিপুরী লোলনা থাক য়াম্না ৱাংবা হেল্লি। মীশিং য়েংলগা লোল অমগী থাক লেপ্পা খক য়ারোই। এসোসিয়েট ওফিসল লেংগ্বেজ ওইদ্রিবা ফাওবা আমসুনা চঙশিনগনি। অসামিজ, বেঙ্গোলি, বোদোদা পীবা চপ মান্নবা চাকথুং মণিপুরী লোলদসু পীগদবনি। মণিপুরী লোল মুৎনবা হোৎনরকপসিদি আমসুনা কৈদৌঙৈদা খক য়াবা ঙম্লোই হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

সাপম ওপেন্দ্রোবু ষ্টেট প্রসিদেন্ট ওইনা হাপ্লক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হৈঙাং অৱাং লৈকায়দগী সাপম ওপেন্দ্রোবু ভারতিয়া নেসনল জনতা দল (বি এন জে দি)গী মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট ওইনা হাপ্লক্লে। ভারতিয়া নেসনল জনতা দল (বি এন জে দি)গী নেসনল সেক্রেটরি দিনেশচন্দ্র ভট্টনা অইবা চেরোল অমা থারক্তুনা ভারতিয়া নেসনল জনতা দল মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট ওইনা সাপম ওপেন্দ্রোবু খল্লে হায়না খঙহল্লকখিবনি। লোয়ননা বি এন জে দিগীদমক অচৌবা থৌদাং কয়া লৌবগা লোয়ননা চাউখৎ খোঙথাংগীদমক থবক কয়া পাঙথোরক্কনি হায়বগী থাজবসু থম্লক্লি।

বি জে পিদা চঙলকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস): মণিপুরদা লাক্লিবা পোলিটিক্সকী অহোংবা অমা ওইনা খাঙবোক এ সীগী মনুং চন্না লৈবা পোল্লিং ষ্টেসন ৩৫/২ ৱাংবল পার্ট টু ৱাংবল লম্থোইথোংদা কোংগ্রেস পার্টিদগী মীওই ৩০ রোম, খুন্দ্রাকপম মেঞ্জোর মঙাং, ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী লুচিং মখাদা বি জে পিদা চঙলকখ্রে।

থৌরম অদুদা বি জে পি খাঙবোক মন্দলগী সেক্রেটরি জেনরেল নিংথৌজম রমানন্দ য়াওনা নৌনা বি জে পিদা চঙলকখ্রবা মীওইশিংদা বি জে পিগী লেংয়ান অমদি তুপী উপ্তুনা তরাম্না ওকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মেঞ্জোর মঙাংনা ফোঙদোকখিবদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লায়রবা মীয়াম্বু নুংশিবীবা অমদি মণিপুরগী বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মণিপুরদা পুবীরক্লিবা চাউখৎ থৌরাং অমদি অহোংবা কয়া অসিবু থাজবা থম্বীদুনা বি জে পিদা চঙবীরক্লিবা ইচিল-ইনাও খুদিংমকপু বি জে পিনা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা অনৌবা চাউখৎপা খাঙবোক এ সী অমগীদমক বি জে পি লৈঙাক্তা থাজবা থম্বীদুনা লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২২গী জেনরেল ইলেক্সনদা শোয়দনা বি জে পিগী এম এল এ অমা এ সী অসিদগী থাগৎপা ঙম্নবা পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

তেংনৌপলদা নেচরেল কম্যুনিটি এৱ্রেয়র্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তেংনৌপলনা ১২ বট্টালিয়ন নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ)কা খুৎশম্নদুনা মহৌশাগী ওইবা খুদোংথিবশিংদগী মতৌ করম্না ঐখোয়না চেকশিনগনি, করি করি থৌরাং লৌখৎকনি অমদি খুদোংথিবা নংলবা মীওই অমা মতৌ করম্না মতেং পাংগনি হায়বগী মতাংদা মীয়ামদা ৱাখল তাহনবগী থৌরম অমা ওইনা নেচরেল কম্যুনিটি এৱ্রেয়র্নেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি তেংনৌপল ভিলেজ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী তেংনৌপল ব্লোক অমদি মচি ব্লোক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা থা অসিগী ১৬তগী হৌদুনা লাক্কদৌরিবা সেপ্টেম্বর ৩০ ফাওবা লেপ্তুনা চথগদৌরিবা ঙসিগী নেচরেল কম্যুনিটি এৱ্রেয়র্নেস প্রোগ্রাম অদু এস দি ও তেংনৌপলনা মপুং ওইবা অশিল-অরাং ওইদুনা পাঙথোকখি। কম্যুনিটি এৱ্রেয়র্নেস প্রোগ্রাম অদুদা এস সুরচন্দ্র, এস দি ও, তেংনৌপলনা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

১২ বট্টালিয়ন এন দি আর এফকী কম্মান্দেন্ট রাজেশ থাকুরগী মীৎয়েং মখাদা বট্টালিয়ন অসিগী ইন্সপেক্টর জি দি তিতুস সেখোনা লুচিংবা এন দি আর এফকী টিম অদুনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী কম্যুনিটি এৱ্রেয়র্নেস প্রোগ্রাম অদুদা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা এন দি আর এফকী ইন্সপেক্টর জি দি তিতুস সেখোনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা লৈরিবা এন দি আর এফ ১২ বি য়ুনিট অসিনা মণিপুরদা ইন্সিদেন্ট দিজাষ্টর থোক্লকপা মতমদা মী কনবা অমদি মতেং পাংবগী থবক তৌই। অদুগা দিজাষ্টর থোক্তবা মতমদনা মীয়ামদা মহৌশাগী খুদোংথিবা থোরকপা মতমদা মীচম অমা ওইনা করি করি চেকশিন থৌরাং লৌখৎফম থোকপগে, করি করি থৌরাং পায়খৎতুনা অশোক-অপন, অৱা-অনা তারবশিংদা করি মতেং পাংগদগে হায়বগী এৱ্রেয়র্নেস পাঙথোকখি। ইন্সিদেন্ট অমা থোক্লকপা মতমদা খ্বাইদগী হান্না মপুং ওইবা থৌদাং লৌগদবা অসি ইমুং-মনুং অমদি কৈরোই লৈকায় অদুগী মীওইশিংনি। মখোয়দা এৱ্রেয়র্নেস পীরবদি পুন্সি কয়া অমা মাঙখিগদবদগী কনবা ঙমগদৌরিবনি। মসিগীদমক ঙসিগী এৱ্রেয়র্নেস অসি মফম মফমদা পাঙথোকপনি হায়খি।

তেংনৌপল ব্লোক্কী তোঙান তোঙানবা খুলশিংগী ভিলেজ চীফশিং, ভিলেজ ওথোরিটিগী মেম্বরশিং অমদি য়ুথ ক্লবকী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখিবা ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা খুদোংথিবশিংদগী কমদৌনা মীওইবগী পুন্সি কনগদগে হায়বগী মতাংদা এন দি আর এফকী কাঙবু অদুনা উৎতুনা মীয়ামদা তাকখি।

খুরাই এ সীদা সী পি আইগী মীরেপ থাদোক্কদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) খুরাই লোকেল কাউন্সীলগী জেনরেল বোদি মীফম অমা ঙরাং ফমদুনা খুরাই এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা পার্টি অসিগী মীরেপ থাদোক্তুনা বি জে পি অমদি অতোপ্পা পার্টিশিংগী মীরেপশিংবু মায়থীবা পীননবা অকনবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কমরেদ অহল কে মনিনা মীফম মপু ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা কমরেদ এল খোয়রেন, কমরেদ এল সোটিনকুমার অমদি কমরেদ আর কে অমুসনানচিংবা ষ্টেটকী লুচিংবশিংসু শরুক য়াখি। লৈবাক্কী ওইবা পোলিটিকেলগী ফীভম অমদি লৈঙাক পায়রিবশিংগী অশোয়বশিং চুমথোকহন্নবা খোঙজং চঙশিন্নবা ৱারেপ কয়াসু লৌখি। এন্টি ফার্মর ওইবা নরেন্দ্র মোদি লৈঙাকপু হনবা নাইদনা থেংননবা খোঙজংগী পোরমসু য়াৎখি।

খুরাই এ সী অসি শুরি-নোংলিবা মীয়াম্না পাক-শন্না খুন্দাবা মফমনি। শুরি-নোংলিবা মীপুম খূদিংমক্লা সী পি আইবু নুংশিজে। অদুবু শেঞ্জাও পায়বা মীহুৎ ওইনিংবশিংনা মীয়ামগী মীৎতা উৎ চাইশিন্দুনা এ সী অসিগী মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং নাথৈদুনা থম্লি। মরম অদুনা জেনরেল বোদি মীফম অসিনা কুপ্না খন্নরবা তুংদা মহৌশাগুম খুরাই কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা সী পি আইগী মচিন তোংবা অদুগা মীয়ামগীদমক কখোক্তুনা থবক কয়া তৌরক্লবা লুচিংবা অমবু মীরেপ ওইনা থাদোক্তুনা মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা কেন্দিদেটশিংবু মায়থীবা পীননবা হোৎনবা হায়না ৱারেপ লৌখ্রে। লোয়ননা অনৌবা লোকেল কাউন্সীল অমা শেমদুনা অকনবা থবক চঙশিন্ননবা ৱারেপসু লৌখি। লোকেল কাউন্সীলগী অকনবা কম্মিটি অদুগী সেক্রেটরি ওইনা কমরেদ তেলেম দিনচন্দ্র (হেরোবি)বু খনখি। কমরেদ দিনচন্দ্রনা হান্নগী সেক্রেটরিদগী চার্জ লৌবগা লোয়ননা খুদক্তগী অহানবা থবক ওইনা মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী মীখলগী মতাংদা থবক থৌরমশিং হৌননবা থৌদাং য়াৎপগা লোয়ননা অনৌবা পোরমশিংসু য়াৎপা হৌখ্রে হায়না চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

পনবা য়াবদি, লাক্লিবা কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী এসেমব্লী মীখল অসিদা সী পি আইগী মীরেপ থাদোক্কনবা ৱারেপ লৌখিবা অসি খুরাই এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদনা অহানবনি।

নবা চাকথেকপী লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): শুমাং লীলাগী নুপী খোঞ্জেলদা শক্লাইরবা শৈশকপা মীয়াম্না নবা চাকথেকপী হায়রগা খঙনবা চৌধরিময়ুম নবচন্দ্র ঙসি লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবগী লোয়নবী, মচানুপা অমা অমসুং মচানুপী মঙা লৈহৌরি।

নবা চাকথেকপীনা লৈখিদবদা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভেলপমেন্ট সোসাইটি (এম এস এফ দি এস)না অৱাবা ফোঙদোরক্লি। এম এস এফ দি এসকী সেক্রেটরি সঞ্জু বাচস্পতিময়ুমনা থাদোরকপা অৱাবা ফোঙবগী চেরোল অদুনা হায়, মতম পুম্নমক্তা নোক্তুনা অমদি মীয়াম্বুসু নোকহন্দুনা মথৌ পাঙথোরকখিবা মল্টি টেলেন্টেদ ওইরবা শক্লাইরবা নবচন্দ্র শর্ম্মা এম এস এফ দি এসতা থবক তৌখি। মহাক শুমাং লীলাগী নুপী খোঞ্জেলগী শক্লাইরবা প্লেব্লেক সিঙ্গর অমনি। মহাক্লা শক্লমখিবা ঈশৈ কয়া ঙসিসু মীয়াম্না নীংশিংনহৌরি। মহাক্লা লৈখিদবা অসিদা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী মফমদা ঈকায়খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা কোনুং মমাঙদা লৈবা এম এস এফ দি এসকী কমপ্লেক্সতা লৈরিবা মণিপুরী সিনেমাগী মোনোলিটতসু কেন্দল থান্দুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ঈকায়খুম্নবা উৎখি। হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভেলপমেন্ট সোসাইটিগী ষ্টাফ ৩ লৈখিদ্রে হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

লৌমীশিংগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): লৌমী শিন্নী অপূন লূপ (লৌসাল) মণিপুরনা চহী খূদিংগী লৌমীশিংগী নুমীৎ পাঙথোকপগুম কুমজা অসিগীসু ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈরিবা লল্লাই এ সীগী পুংদোংবমদা লৈবা লৌমীশিংগী নীংশিং য়ুম্বীদা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা লৌমীশিংগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না লৌসালগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি পি ইনাওবীগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লৌসালগী পব্লিসিটি সেক্রেটরিগী চেরোল অদুনা হায়, লৌসালগী অচৌবা থৌদাং লৌবীরম্বা ঙসিদি লাইরম্লেন্দা তীনখ্রবা অহলশিং লোয়ননা চহী অসিদা লৈখিদ্রবা লৌসালগী থৌমীশিং, লৌসালগী এদভাইজর এ কে জানকি, লৌসালগী হান্নগী প্রসিদেন্ট এল রঞ্জিৎ, নম্বোল ওইনামদগী ওইনাম মেঞ্জোর, পুংদোংবমদগী ৱাইরোকপম নব, কৈবুল লমজাওদগী বসন্ত, লৈশ্রামদগী নিংথৌজম বিজয়, থৌদা ভাবোক লৈকায়দগী লাইশ্রম বসন্ত, নম্বোলদগী সোমোরেন্দ্রোগী মফমদা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে।

লৌমীগী নুমীৎনা লাকপদা লৌসালগী মায়কৈদগী তমজনিংবদি লৌমীশিংনা য়াম্না ৱানা লোকচবা ফৌশিং/পোথোকশিং অসি ঙসিগী লৈঙাক্লা মতমগা চানবা মমলদা পীরগা লৈশিনবীগদবনি। মণিপুরদা দবল ক্রোপিং তৌদুনা চীঞ্জাক্তা মীপাল তাঙদনা হিংনবগীদমক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা ঈথৈ-লৌখোং ফজনা শেমদুনা, হার মরাং কায়না মতম চানা লৌমী মীয়ামদা ফংহন্দুনা চীঞ্জাক্তা মীপাল তাঙদবা লমদম অমা ওইহনগদবনি হায়বসি লৌমীশিংগী অপূন লূপ (লৌসাল)না হান্নদগী হৌনা দিমান্দ তৌদুনা লাক্লি। মখা তানসু ঙসি সেপ্টেম্বর ২১ লৌমীগী নুমীৎ অসিদা লৌসালনা অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা লৌমীশিংগী য়াইফননবগীদমক হনবা লৈতনা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি। মসিদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অমদি মীয়াম্নসু কোওপরেসন পীবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসন্না চীফ মিনিষ্টরবু তৌবীমল খঙবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): ভিদিএফশিংগী অনৌবা আর আর অমা শেন্বা য়াওনা য়াইফ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎলকপগীদমক ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসন্না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনবু তৌবীমল খঙবা উৎখ্রে হায়রি।

ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসন সেন্ট্রেল কম্মিটিনা মণিপুরদা লৈরিবা ভি দি এফ পর্সনেল ১০০৫০গী ফাইনেল ওইবা চার্টর ওফ দিমান্দ য়াওনা মেমোরেন্দম কোপী অমা হৌখিবা ইরাই নুমীৎতা সী এমনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপীরকপদা এসোসিএসন অসিগী থৌমীশিং অমসুং চীফ এদভাইজর ৱাংখেমচা শ্যামজাই য়াওনা হৌখিবা নুমীদাংদা সী এম বঙ্গলোদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা উনদুনা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট এম দি রিয়াজ খাননা তৌবীমল খঙবা উৎপা ওইনা অচম্বা খুদোল তমখিবগা লোয়ননা এসোসিএসন অসিগী চীফ এদভাইজর ৱাংখেমচা শ্যামজাইনসু সোল অমা খুদোল তমখি হায়না এসোসিএসন অসিদগী ফংবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, মেমোরেন্দম কোপী অদুদা ভি দি এফকী তোপ-তোপ্পা আর আর অমা শেন্বা য়াওনা থা ১৩গী তোলোপ পীবা অমসুং আর আর অসি ফ্রেম তৌরিঙৈ মনুংদা ভি দি এফশিংগী ওনরেরিয়ম অসি রেগ্যুলর পুলিস কন্সটেবল অমগী চাদা ৭৫ পীবা হায়বনচিংবা সর্ভিস সিক্যুরিটি কয়া ময়েক শেংনা য়াওরি হায়রি।

হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়াগী ইন্দিপেন্দেন্স দে নুমীৎ ওগষ্ট ১৫দা এম দি সাহিদুর রহমননা ফর্ষ্ট এ এম পি এৱার্দ ফোর সোসল এক্সিলেন্স ২০২১ ফংলকপদা দেম্মোক্রেটিক ভারতিয়া সমাজ পার্টি মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী মায়কৈদগী হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি হায়না দেম্মোক্রেটিক ভারতিয়া সমাজ পার্টি মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী সেক্রেটরি কৈশাম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

সাহিদুর রহমন হৌজিক হৌজিক মমি টিভিগী ষ্টাফ রিপোর্টর অমদি ঈপাক গ্রুপ ওফ ন্যুজকী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট অমসু ওইবদা নত্তনা লমদম অসিদা মীদিয়াগী লমদা চোকথবা নাইদনা অচৌবা থৌদাং লৌবীরিবা অসিবু মশক খঙবীবা ওইনা শীংথানিংঙাই ওইরবা এৱার্দ অসি ফংবদা মতিক চাবা মীশক অমনি হায়না লৌজৈ। ইরমদম অসিগী লাইরিক-লাইশু হৈরবা নহাশিংনা লৌরিবা মীদিয়াগী থৌদাং অসিনা লৈবাক অমগী চাউখৎ লম্বীদা পীরিবা কন্ট্রিব্যুসন অসি কয়ামুক চাউবগে হায়বদু মশক খঙমিন্নবা মতম ওইরে হায়না দি বি এস পি মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিনা লৌজৈ হায়রি।

মাস এৱ্রেয়র্নেস অমদি পোষ্টর কেম্পেয়ন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস): মালেমগী লৈবাক পুম্নমক্লা থেংনরিবা তমথিরবা কোভিদ লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা অমদি থেংনবা ঙম্নবা কম্মিটি ওন কোভিদ-১৯, মণিপুর (কাদা, য়ু পি এফ, নিপকো, এমসু, য়ু পি এ সী ও, মপি কাউন্সীল)না লেপ্তুনা চঙশিল্লকপা মাস এৱ্রেয়র্নেস প্রোগ্রাম অমদি পোষ্টর কেম্পেয়ন ঙরাং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা মফমদা পাঙথোকখ্রে হায়না কম্মিটি ওন কোভিদ-১৯ মণিপুরগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর গীতচন্দ্র মঙাংগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এৱ্রেয়র্নেস অদুদা কোভিদ লাইচৎ অসি থেংনবদা মীয়াম ৱাখল তাদ্রগদি থেংনবা ঙম্লোই। কোভিদ-১৯গী লায়ওং লৈরবদি শোয়দনা টেষ্ট তৌথোকপীগদবনি। অনাবা লোৎশিন্দুনা থম্লোইদবনি। মসিনা হেন্না খুদোংথিবা মায়োক্লরক্কনি। ঙন্না লায়েংহৌবনা অদোমগী মমল য়াম্লবা পুন্সি খুদোংথিগদবদগী কনগদৌরিবনি। চহী ১৮ হেল্লবদি শুংশোয় শোয়দনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকসি। ভেক্সিনেসনগী মতাংদা শন্দোরক্লিবা তোকঙাশিং থাজবীগনু। ভেক্সিনেসন নত্তনা কোভিদ থেংনবগী উপায় লৈতে। ভেক্সিন কাপহৌবনা কোভিদ পোজিটিভ ওইরবসু কা হেন্না হকচাংদা খুদোংথিবা থোকহন্দে। দব্লিয়ু ঐচ ও, হেল্থ দিপার্টমেন্ট অমদি হোম দিপার্টমেন্টনা পীরিবা মতম মতমগী এস ও পিশিং ঐখোয় খূদিংমক্না ঙাক্লা চৎমিন্নসি। ঐখোয় পুন্না কোভিদপু মায়থীবা পীরসি হায়বা ৱাফমশিং মীয়ামদা ওদিও রেকোর্দিংগী খুত্থাংদা খঙহনখি। কোভিদকী এস ও পিশিং ঙাক্লবা পোষ্টর কেম্পেয়ন অসিগী পাউজেলদি মীয়াম তীনবা মফমদা য়ারিবমখৈ মাস্ক লৌথোকপীগনু, অদোমনা মীয়াম তীনবা মফমদা করিগুম্বা পোৎশক অমা চানিংলবদি মীয়ামদগী খরা নাথৈরগা চাবীয়ু, মাস্ক উপ্তুবা মীওইদা পোৎ-চৈ লৈবা পীবীগনু। মাস্ক উপ্তুবা দুকান্দগী পোৎ লৈবীগনু। অদোমনা চেকশিন্দ্রবদি মীয়াম পুন্না ৱামিন্নগদৌরিবনি কাউবীগনু। খুৎ-শা তোয়না হামদোকপা কাউবীগনু। মী অমগা অমগা ফিট ৬ লাপ্পবা কাউবীগনু। পুং ১৪ হেন্না মাস্ক শীজিন্নরবদি মাস্ক অনৌবা অমা শীনবীয়ু। পুলিস উরগা এস ও পি ঙাকপা, উদ্রগনা এস ও পি ঙাক্তবা তৌবীগনু। পুলিসনা লৌরিবা থৌদাং মীয়ামগী য়াইফনবনি কাউবীগনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

নহাশিংগা পুন্না ৱাখল তামিন্নবা থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): নহাশিংবু অফবা অমসুং অচুম্বা লম্বীদা পুরক্তুনা অফবা লৈঙাক্লোন, অফবা খুন্নাই অমদি চাউখৎপা লমদম অমা ওইহন্নবগী ৱাখল্লোনদা ককচিং এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎথরকপা নহাশিংগা পুন্না ৱাখল তামিন্নবা থৌরমশিং লেপ্তুনা চৎথরি।

ককচিং ৱার্দ নম্বর ১, ৪ অমদি ৬কী নহাশিংগা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এম এল এ রামেশ্বরনা অথোইবা মীথুং, বি জে পি ককচিং মন্দলগী প্রসিদেন্ট এস ঐচ শ্যামজাইনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱার্দ নম্বর ১দগী হান্না তোঙান তোঙানবা পার্টিশিংদা ভোট পীরম্বা ইমুং ১০ বি জে পিদা চঙলকপদা তরাম্না ওকখি। লোয়ননা অহল ওইরবশিংদা এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা ইন্নফি অমমম কৎচদুনা য়াইফ থৌজাল থৌনিজখি।

থৌরম অদুদা এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা মহাক্লা এম এল এ ওইবা থা ৭ রোম খক্তা ফারিবা অসিদা পুরক্লিবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট প্রোগ্রামশিং লোয়ননা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা মীয়ামগী য়াইফননবগীদমক পায়খৎখিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লদুনা লমদম অসিগী নহাশিংবু তুং কোইবা অশানবা মীৎয়েংদা অচুম্বা অশেংবা পোলিটিক্সকী লম্বীদা লাক্লবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লখি।

‘বরাক ব্রিজ ওক্টোবর থাদা লোইশিন্দুনা মীয়ামদা শীন্নরগনি’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): নেসনল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী শরুক্তা লৈরিবা বরাক থোং শাবগী থবক চাদা ৯০ রোম লোইশিল্লে। ওক্টোবর থাগী মনুংদা মপুং ফানা লোইশিন্দুনা মীয়ামদা শোয়দনা শীন্নরগনি হায়না থোং অসিবু শাবগী থৌদাং লৌরিবা ভারতিয়া ইনফ্রা প্রোজেক্টস লিমিটেদ (বি আই পি এল)গী দেপ্যুটি প্রোজেক্ট মেনেজর কে সী দাসনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

হন্দক্তা নৌনা মক্রু থোং শঙ্গাখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা রোদ ত্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা মণিপুরগী য়াম্না মরুওইরিবা অনীশুবা লাইফ লাইন ওইরিবা লম্বী অসিগী বরাক তুরেলগী মথক্তা শারিবা বরাক থোং অসি অথুবা মতমদা শাবা লোইশিন্দুনা মণিপুর মীয়ামদা শীন্নরগনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লমখিবা লৈখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা বরাক থোং অসিবু শারিবা ভারতিয়া ইনফ্রা প্রোজেক্টস লিমিটেদ (বি আই পি এল)গী দেপ্যুটি প্রোজেক্ট মেনেজর কে সী দাসনা হায়খিবদা, বরাক থোং শেম-শাবগী থবক অসি হৌজিক চাদা ৯০ রোম লোইরে হায়বা য়ারে। থোংগী শরুকশিং শমজিন্নরে। ওক্টোবর থা ফাওবগী মনুংদদি থোং অসি মপুং ফানা শেম-শাবা লোইশিনবা ঙম্লগনি। থোং অসিগা শম্নগদৌরিবা লম্বীগী শরুকশিং শেম্বগী থবকসু চয়োল অমা অনীরোমগী মনুংদা লোইরগনি। মরম অসিনা ওক্টোবর থাদদি থোং অসি মীয়ামদা খুৎশিন্নবা ঙম্লগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোরক্লি।